**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা শিংথাখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা অসিগী মথক্তা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ৱারী শান্নদুনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

৩) রাজ্য সভা সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- মণিপুরবু তংদু লৈতাবা, চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক রাজনীতিগী খেন্নবা থমদবা অমদি লুপশিং ৱাখল্লোন মান্নবা চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

৪) অকাশবানি ইম্ফালগী এপ্রুভ রেদিও আর্টিষ্ট ওইরম্বী য়েনশেম্বম বিলাশিনি দেবী সেগা রোড তখেল্লম্বম লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে।

অমসুং

৫) নোংচুপ বেঙ্গলদা বি.জে.পিগী অনৌবা সরকার ৱাশক লৌবগী থৌরম থা অসিগী ৯ দা পাঙথোক্কনি।

অসামগীনা থা অসিগী ১১ দা ৱাশক লৌরগনি।

------

ভল্লা (এল)ঃ রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা শিংথাখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাকা শিন্দুনা কোংনুং মমাংদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসতা পাঙথোকপা ইনভেষ্টিচর সেরেমোনি ফোর দ গভর্নরস য়ুনিট সাইটেসন ২০২৬ কী থৌরমদা শ্রী ভল্লানা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- শান্তি লৈতনা লমদম অমা চাওখৎপা, অফবা মাইকৈদা পুরকপদা ঙমলোই। মণিপুরগী মীয়ামা তংদু লৈতাবা পুন্সি মহিং অমা ফংলবা মতমদা মাংজিল থাবা রাজ্য অমা ওইবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী তোঙান তোঙানবা কাংবুশিংদা সাইতেসন পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মখোয়শিং অদুদি- ১৯ শুবা গরৱাল রাইফলস, ১৭ শুবা অসাম রাইফলস, ৩৮ শুবা অসাম রাইফলস, ৪০ শুবা অসাম রাইফলস, ২ সুবা মহার রেজিমেন্ট, ২৫ শুবা বি.আর.টি.এফ, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, চুরাচান্দপু অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ১০ শুবা বি.এস.এফ অমদি ১৪৩ শুবা সি.আর.পি.এফকী কাংবু য়াওরি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা অসিগী মথক্তা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা ৱারী শান্নদুনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী থোরকখিবা ইরাংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখিবা থৌদাংবু মুখ্য মন্ত্রিনা শিংথাখি। মহাকা হায়- মীওই লিশিং ৭০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা পুথোরক্তুনা খুদোংথিবা থোক্কদবদগী কনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখিবা থৌদাং ঐখোয়না পাউফম থোক্তে। হৌজিকসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মসিগা লোয়ননা মপুং ফানা তংদু লৈতাবা হঞ্জিন্নবগীদমক ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

থৌরম অসিদা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো, গৃহ মন্ত্রি- গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন শরুক য়াখি।

নরসিং (এল)ঃ রাজ্য সভা সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- মণিপুরবু তংদু লৈতাবা, চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক রাজনীতিগী খেন্নবা থমদবা অমদি লুপশিং ৱাখল্লোন মান্ননা চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙসি পাঙথোকখিবা মহারাজ নরসিংগী ২৩৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবনি।

মহারাজ নরসিংহ মেমোরিএল কমিতি ইম্ফাল অমসুং শ্রীশ্রী গোপিনাথজি টেম্পল বোর্ডনা শিনদুনা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- অপুনবগী পাঙ্গলনা অৱাশিংবু মায়থিবা পীখিবনি। মতম অদুদা মহারাজ নরাসিংহ, গম্ভির সিংহ অমদি হিরাচন্দ্র য়াওনা অথৌবা কয়ানা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মণিপুরবু অৱাগী খুৎতগী কনখিবা অদু নীংশিংদুনা অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জন সিংহসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মহারাজ নরসিংহগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

বিলাশিনি (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী এপ্রুভ রেদিও আর্টিষ্ট ওইরম্বী য়েনশেম্বম বিলাশিনি দেবী সেগা রোড তখেল্লম্বম লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহি ৮৩ শুখ্রে।

য়েনশেম্বম বিলাশিনিনা অকাশবানিগী এপ্রিভ রেদিও আর্টিষ্ট ওইরিঙৈদা মণিপুরী মতম ঈশৈ কয়া শক্লমখি। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরী ফিলম কয়াগী প্লেবেক সিঙ্গল ওইনা ঈশৈ কয়া শক্লমখি। মহাকা শক্লম্বা ঈশৈ কয়া ঙসিসু মণিপুরগী মীয়ামা পামা তানরি।

এৱারনেস (এল)ঃ   মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.দব্লিউ) অমদি মণিপুর সেন্ত্রেল জেলনা শিন্দুনা লিগেল এৱারনেস ফোর ৱিমেন ইনমেটস হায়বা হিরম অসিদা  নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী মণিপুর সেন্ত্রেল জেলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এম.এস.সি.দব্লিউগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোন্সাংনা হায়- মণিপুর সেন্ত্রেল জেলদা অসিগুম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্লিবা অসি মফম অদুদা লৈরিবা নুপীশিংদা করম করম্বা খুদোংচাদবা থেংনবগে হায়বদু খঙদোকবনি। কম্মিসন অসিনা জেলদা লৈরিবী নুপীশিংগী পুকিং ৱাখল শোন্থদনবা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং পায়খৎতুনা লাক্লি।

থৌরম অদুদা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স বিভাগকী এদ্দিসনেল দাইরেক্তর ওইবতা নত্তনা কম্মিসন অসিগী মেম্বর সেক্রেতরি- দব্লিউ. ফজতোম্বী অমদি মণিপুর সেন্ত্রেল জেলগী এস.পি (জেল) এস.কে. ভদ্রিকাসু শরুক য়াখি।

থৌবাল (এল)ঃ    ত্রোংলাউবী অমদি টি.এম. কসোমগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। অমুকো, কোহর, এম.এস.এফ, পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুর অমদি অমওভানা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুদা ৱাইথৌ অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা মীয়াম য়াওনা চিরু, থিয়াম কোঞ্জিন, চিংগিহম, চাউবোক অমদি অকোইবদা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

এমটিয়ু (এল)ঃ   মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী ইন্তরনেসনেল এফ্যারস সেলনা শিন্দুনা ষ্ট্রেংথনিং একাদমিক পার্টনরসিপ থ্রু কলচরেল অন্দরষ্টেন্দিং এন্দ কোলাবোরেসন হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম ঙসি য়ুনিভর্সিতি অসিদা  পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি অমদি থাইলেন্দগী বেঙ্কোকতা লৈবা সুৰান দুসিত য়ুনিভর্সিতি অনিগী মরক্তা একাদমিক ইন্তররেক্সন ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অনি অসিগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা মখা তানা চৎমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

থৌরম অদুদা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর ৱাহেংবম চান্দবাবুনা হায়- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, দ্রোন অমদি সেমি কন্দক্তরদা মীৎয়েং থমদুনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পাঙথোকবা য়ুনিভর্সিতি অসিনা শেম শারি। সুৰান দুসিত য়ুনিভর্সিতি অমদি মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি য়াওনা দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা সহি তৌনখিবগী মতুংইন্না য়ুনিভর্সিতিশিং অসিগী ফেকলতি, স্কোলার অমদি ইন্টর্নশিংগী মরক্তা একচেঞ্জ প্রোগ্রাম কয়া মখা তানা পাঙথোক্কনি হায়রি।

এময়ু (এল)ঃ  মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লরগী প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্রনা লিভ জাম প্লাজম রিছোর্স সেন্তর ঙসি শঙ্গাখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জ়লোজিনা শিন্দুনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা য়ুনিভর্সিতি অসিগী কেম্পসতা ঙসিদগী হাংদোক্লিবা সেন্তর অসি লখনৌগী আই.সি.এ.আর নেসনেল ব্যুরো ওফ ফিস জিনেতিক রিছোর্সেসকা খুৎশমদুনা পায়খৎপনি। থৌরাং অসিনা এক্বাতিক বাইও দাইভর্সিতি য়োকখৎপা অমদি মসিগী মতাংদা থিজিনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

মীখল ঃ  নোংচুপ বেঙ্গোল, পুদুচেরি, তামিল নাদু, কেরলম অমসুং অসামগী বিধান সভা মীখলগী ফল লাউথোকখ্রবা মতুংদা সরকার শেমবা রাজনিতিগী ওইবা থবক থৌরমশিং কনখৎলক্লি।

নোংচুপ বেঙ্গলগী ওইনা থা অসিগী ৯ দা ব্রিগেদ পেরেদ গ্রাউন্দদা বি.জে.পিগী সরকার শেম্বগী ৱাশক লৌনবা শেম শাখ্রে হায়রি। রাজ্য অদুগী বি.জে.পি প্রসিদেন্ট সমিত ভত্তচারয়ানা হায়- ৱাশকপগী থৌরম অয়ুক পুং ১০ দা হৌগনি। ৱাশক লৌবগা থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি

অমিত সাহ্ য়াওনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়ারবা য়াই হায়রি।

অসাম বিধান সভা মীখলদা মায় পাক্লবা তুংদা মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিশ্বা শর্ম্মা ঙসি মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়াদা পীশিনখ্রে। অনৌবা সরকার থা অসিগী ১১ দা ৱাশক লৌরগনি। হন্দক পাঙথোকখিবা অসাম বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাকখ্রবা তুংদা মুখ্য মন্ত্রি খন্নবা শেম শাবা হৌখ্রে।

তামিলনাদু টি.ভি.কে লুচিংবা জোসেফ বিজয়না রাজ্যপাল রাজেন্দ্র বিশ্বানাথকা উন্নদুনা সরকার শেমবা চেরোল পীশিনখ্রে। হান্দক পাঙথোকখিবা বিধান সভা মীখলদা টি.ভি.কেনা সিট ১০৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা কাবা দল ওইখিবনি।

মরক অসিদা তামিলনাদুদা কংগ্রেসনা টি.ভি.কেনা সরকার শেম্বদা শৌগৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিগী তামিলনাদু ইনচার্জ গিরিস চোদানকর দল অসিগী মকোক থোাংবা লুচিংবশিংগা তারন্নরবা মতুংদা  ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ভিয়েটনামগী রাস্ত্রপতি-তো লামগা ন্যু দিল্লিগী হাইদ্রবাদ হাউসতা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা য়ান্নচেশিং সহি তৌনখ্রে। য়ান্নচেশিং অদুগী মনুংদা হিদাক লাংথক, ঙাগী পোত্থোক অমদি লৌউ শিংউগী লমদা তেংবাং পীনবা য়াওরি।

মদুগী মমাংদা, ভিয়েটনামগী রাস্ত্রপতি-তো লামবু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা তরামা ওকখি। থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং- পিয়ুস গোয়ল, অস্বিনি বৈষ্ণো অমসুং ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহ্ শরুক য়াখি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

আহ্ লিগ ঃ  লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল টিম ২০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা আই-লিগ থার্দ দিভিজন ২০২৫-২৬ কী ঙসি তাকয়েলদা লৈবা সাই টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরগী ত্রাউ এফ.সি মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা গ্রুপ মরি খায়দোক্ত্না চথরিবা লিগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ত্রাউ এফ.সি ক্বাকৈথেলনা সমালেশ্বরি এস.সি শম্বলপুর, উরিষাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল রাউন্দগী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি।

ফুটবোল ঃ  ১৬ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৬-২৭ থা অসিগী ৯ দগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌরগনি। তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না ফুটবোল লিগ অসিদা শরুক য়ারি।

ফুটবোল ঃ  ১৪ শুবা খাগেন্দ্বা ত্রোফি ২০২৬ কী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা আর.এস.সি থোংজ্ অমদি সি.ঐচ.এস.এস ময়াংইম্ফাল শান্নরগনি। অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কে.এফ.এ লাইফম খুনৌ অমদি দি-স্কৱার নোংমৈবুং লম্বা তৌনরগনি।

ফুটবোল ঃ  ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা ছত্তিসগরদা চথরিবা অন্দর ত্বেন্তি মেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর য়ুম্বু ছত্তিসগরবু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বাতর ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ৩ শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর ফিফতিন গার্লস ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী মখা তাবা মেটচশিং থা অসিগী ৮ দগী থাউ গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দ অমদি সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা খুনোদা শান্নবা হৌরগনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, ৫ শুবা এম.এন.সি.এ বোইজ অন্দর ফোরতিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ সু থা অসিগী ৮ দগী খাঙবোক্কী পাব্লিক গ্রাউন্দ, তাওথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক, মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দ, মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দ অমদি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নবা হৌরগনি হায়রি।

------